# এক্সরসাইজ আইরন ফিষ্ট-২০১৬তা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী তৌবা ঙম্বশিং উৎখ্রে

জয়পুর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

রাজস্থানগী পোখ্রানদা ঙসি এক্সরসাইজ আইরন ফিষ্ট-২০১৬ পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়ায় পুন্নমক উৎখ্রে।

থৌরম অদু ইন্দিয়ন আর্ম ফোর্সেসকী সুপ্রিম কম্মান্দরসু ওইরিবা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনচিংবা লূচিংবা কয়ানা য়েংখি।

থার দেজার্ততা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা এয়র বেজ কয়াদগী পাইরকপা এয়রক্রাফট ১৮১না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ানা শাজবা টেজাস এয়রক্রাফটতগী লেজর গাইদেদ বোম থাদবা অমদি এয়র-টু-এয়র মিসাইল কাপ্পগী মওং উৎখি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা অহানবা ওইনা অকাশ মিসাইলগী মতিক ময়ায়সু উৎকদৌরি। মসিগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা ৱেপন সিষ্টেম ২২ উৎনবা থৌরাং তৌরি।

মিগ-২১, মিগ-২৭, মিগ-২৯ অমদি এস য়ু-৩০নচিংবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা শীজিন্নদুনা লাকখিবা এয়রক্রাফট কয়াগী মতিক ময়ায়সু থৌরম অদুদা উৎখি।

মিরাজ-২০০০, এস য়ু-৩০, মিগ-২৭ অমসুং জগুৱারনা অকক্নবা মফমদা বোম থাদবগী মওংসু উৎখিবা থৌরম অদুদা লাইট কম্বেট এয়রক্রাফট টেজাস অমদি লাইট কম্বেট হেলিকোপ্টরশিংসু শরুক য়াখি।

এক্সরসাইজ আইরন ফিষ্ট-২০১৬তা উৎখিবা অতৈ এয়রক্রাফটশিংদি এ এন-৩২, এম্ব্রেসর, আই এল-৭৬, আই এল-৭৮ অমসুং সী-১৩০জে নচিংবা ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফটনচিংবনি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী অনৌবা ফাইটর এয়রক্রাফট মখল অমা শেমগৎলগনি হায়না এয়র চীফ মার্সল অরুপ রাহারনা হন্দক্তগা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। চীফ ওফ এয়র ষ্টাফনা হায়খি মদুদি, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা শীজিন্নরিবা লাইট কম্বেট এয়রক্রাফট টেজাস অমদি ফ্রান্সতগী লৈগদৌরিবা রাফেল প্লেন ৩৬কী মথক্তা অতোপ্পা ফাইটর জেট কয়ামরুম শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি।

ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা মেক ইন ইন্দিয়া প্রোজেক্টকী মখাদা অনৌবা ফাইটর এয়রক্রাফট কয়া পুথোক্তুনা হান্নগী অরিবা এয়রক্রাফটশিংগী মহুৎ শিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না রাহারনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, চহী ১গী মনুংদা ইন্দিয়াগী অনৌবা ফাইটর এয়রক্রাফট কয়ামরুম লৈরগনি। হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐচ এ এল)না হৌজিক হৌজিক লাইট কম্বেট এয়রক্রাফট ১২০ শেমগৎপা হোৎনরি।

রফেল এয়রক্রাফটকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা মতমগী মল্টি-রোল ফাইটর প্লেন রফেল লৈনবগী মতাংদা ফ্রান্সকা অথুবা মতমদা য়ানবা পুরকপগী ফীভমদা লৈরে। গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিদা শেল চাউনা থাদদুনা আর্ম ফোর্সেসকী মতিক ময়ায় হেনগৎহন্নবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জমনগরগী এয়র ফোর্স বেজদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী য়ুনিট অনীদা এৱার্দ পীবগী থৌরম অমদা এয়র চীফ মার্সলনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী এয়রক্রাফট মশীং হন্থরক্লবসু অথুবা মতমদা অনৌবা লাইট কম্বেট এয়রক্রাফট কয়া পুথোরক্লগনি। মসিগীসু মথক্তা ফ্রান্সতগী মল্টি-রোল ফাইটর এয়রক্রাফট ৩৬ লৈনবা হোৎনরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা গভর্ণ-মেন্টকী থাক্তা ৱারী শানরি।



# উমর খলিদ, অনিরবান কোর্টনা থা ৬কী ইন্টরিম বেল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

ইন্দিয়াগী মায়োক্তা স্লোগান লৌখি হায়বগীদমক সিদিসনগী চার্জদা ফাখিবা জে এন য়ুগী মহৈরোয় উমর খলিদ অমদি অনিরবান ভতচারিয়াবু দিল্লিগী কোর্ট অমনা থা ৬কী ইন্টরিম বেল পীখ্রে। লুপা লীশিং ২৫গী বেল বোন্দ অমদি চপ মান্নবা শেনফমগী সিয়োরিটিদা মখোয় অনীবু ইন্টরিম বেল পীখিবনি।

ফেব্রুৱারী ৯দা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা থোকখিবা থৌদোক অমা থীগৎনবগী মতাংদা শেমখিবা মেম্বর মঙানা শাবা অৱাংবা থাক্কী ইনক্কারি কম্মিটিনা হায়খিবনি মদুদি, উমর অমসুং অনিরবাননা অতোপ্পা মীওই খরবু অয়াবা য়াওদনা কেম্পস মনুংদা চঙহনখি।

মহৈরোয় অনী অসিনা লূচিংবা মীওই খরনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা স্লোগান লাউখিবনি হায়না হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা দিল্লি পুলিসনা কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এদিসনেল সেসন্স জজ রিতেশ সিংহগী কোর্টতা পুলিসনা হায়খি মদুদি, ফেব্রুৱারী ৯দা জে এন য়ুগী কেম্পস মনুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু খলিদ অমসুং ভতচারিয়ানা মপুং ওইনা শীনখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চথুরকখিবদা মপুং ওইনা চেন্নবা অফজল গুরুবু থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবগী নীংশিং কুমওন পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা স্লোগান লাউখিবগীদমক মহৈরোয় অনীগী মথক্তা সিদিসনগী চার্জ তৌখি।

নুমিৎ অদুগী থৌদোক থীগৎনবগীদমক য়ুনিভর্সিটিনা ফেব্রুৱারী ১০দা অৱাংবা থাক্কী ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেমখিবনি। ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা জে এন য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নয়া কুমারদি হৌখিবা মার্চ ৩দা টিহার জেলদগী থাদোকখ্রবনি।

অমরোমদা, জে এন য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নয়া কুমারদা পীখিবা ইন্টরিম বেল অদু কেন্সেল তৌবীয়ু হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা দিল্লি হায় কোর্টনা মার্চ ২৩দা হিয়ারিং চথুরগনি হায়না মতম লেপখ্রে। পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট আর পি লুথ্রানা হায়খি মদুদি, য়াম্না মরুওইবা ৱাফম ওইবনা পিটিসন অসি মার্চ ২১দা ওইনা হিয়ারিং চথুফম থোকই।

পিটিসনর প্রশান্ত কুমার ওমরাওগী মায়কৈদা লেপ্লদুনা এদভোকেট লুথ্রানা হায়খি, কহ্নয়া কুমারনা বেলদা থোরক্লবা মতুংদা মীয়াম তিনবা মফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা ৱাথোক অসি অমুক্কা হেন্না চাউথোকহনবা য়াবা ৱাফম য়াওখি।

মরকসিদা, এ বি ভী পিগী মেম্বরশিংনা হায়খ্রে মদুদি, জে এন য়ুগী কেম্পস মনুংদা থোকখিবা ৱাথোক থিগৎনবগী মতাংদা শেমখিবা ইনক্কারি কম্মিটিনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীহন্নবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্রে।

জে এন য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরিবা এ বি ভী পিগী মেম্বর সৌরভ কুমার শর্ম্মনা হায়খি, কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, সিতারাম য়েচুরি, অনন্দ শর্ম্ম, দি রাজাগুম্বা পোলিটিসানশিং, ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লেফট ফ্রন্টনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী ইনক্কারি কম্মিটিনা অচুম্বা রিপোর্ট পীখিদবনি।



# রাজস্থানগী এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা নেসনেলিজমবু সিলেবসতা য়াওহনগদৌরি

জয়পুর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

জে এন য়ুগী ৱাথোক মতুং তারকপদা রাজস্থানগী বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুট খূদিংমক্তা নেসনেলিজমবু সিলেবসতা য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এদ্যুকেসন ভী দেবনানিনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক্তা নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন পোকহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা সিলেবস অমা শেম্নবা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন খূদিংমক্তা খঙহনখ্রে। জে এন য়ুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগুম্বা অমা রাজস্থানদা থোকহন্দনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

মেৱার য়ুনিভর্সিটিদা থোকখিবা ষণশা চাবগী ৱাথোক্কী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, য়ুনিভর্সিটি খূদিংমক্তা অকক্নবা কাঙলোন ঙাক্না চৎপগী মথৌ তাই। অতোপ্পা লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী পূক্নিং নুংঙাইতনবা থবক তৌবা চুমদে। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা ষণশা থোংখিবগী থৌওং অদু অরানবা খোঙথাংনি।

পনবা য়াবদি, কোলেজগী হোষ্টেলদা ষণশা থোংলগা চায় হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা রাজস্থানগী মেৱার য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা কাশ্মীরি মহৈরোয় মরি ফারে হায়না ষ্টেট অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর আর রাথোরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহৈরোয়শিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংদা তকশিনখি। পুলিসনা মহৈরোয় মরিবু সী আর পি সীগী সেক্সন ১৫১গী মখাদা ফাখি। চিত্তোর-গরগী এস পি প্রসন্না খামেসরানা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরনা হোষ্টেলদা ষণশা থোংলে হায়না অরানবা পাউ শন্দোক্লগা মীয়াম্বু খোইশাওনবা পোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।



# মার্চ ৩১গী মমাঙদা রিজার্ভেসনগী বিল শেম্নবা মতম থাখ্রে

চান্দিগর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

জাতশিংদা রিজার্ভেসন পীগদবনি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা হরিয়াগী চীফ সেক্রেটরি অমদি দি জি পিগা উনদুনা রিজার্ভেসন বিলগী মতাংদা ৱারী শানখিবা জাত ফুরুপকী মীহুৎ কাঙবু অমনা হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্টনা শেম্বা দ্রাফট বিল চৎনবা য়ারোই।

মার্চ ৩১ ফাওবগী মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা বিল অমা শেমদুনা পুথোরক্কদবনি হায়না জাত লূচিংবা য়াস্পাল মালিকনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা শেম্বা দ্রাফট বিলদা মরুওইবা ৱাফম অমত্তা য়াওদ্রে। মরম অদুনা অনৌবা বিল অমা মার্চ ৩১গী মমাঙদা শেম্নবা গভর্ণমেন্টকী মফমদা তকশিল্লম্লে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা জাত ওর্গনাইজেসনশিংনা রিজার্ভেসনগী ৱাফমগা মরী লৈননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না হরিয়ানা গভর্ণমেন্টতা চেকশিন ৱারোল পীবা লৈখ্রবনি। মমাঙ থাদা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা মীওই ৩০ রোম শিখ্রবনি।

মরকসিদা, চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খতারগী গভর্ণমেন্টনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মরুওইবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুলিস অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্স দিপ্লোই তৌখ্রে।

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগীদমক সেন্টরনা পেরা মিলিটরি ফোর্স কম্পনি ৮০ থারকপা লৈখ্রবনি। খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোক্লবা রোহটক অমদি ঝাহজর দিষ্ট্রিক্টতা মমাঙ থাদগী হৌনা পেরা মিলিটরি পার্সনেল কয়া থাজিনখি।


অমরোমদা, হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক চথুরিবা বজেট মীফমদা রিজার্ভেসন পীবগা মরী লৈনবা বিল অমা পাস তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অভিমনিয়ানা হায়খি মদুদি, অনৌবা বিল অমা শেম্বদা মতম খরা চঙখিবা মরম্না হৌজিক ফাওবা কোটাগা মরী লৈনবা বিল অমত্তা বজেট মীফমদা পুথোকপা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু মার্চ ৩১দা লোইগদৌরিবা মীফম অসিগী মনুংদা বিল অমা শোয়দনা পাস তৌরগনি।

অমরোমদা, জাত ফুরুপকী মীওইশিংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা মীশি-মীনা য়াওখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমনা লূচিংবা কম্মিটিনা থীগৎহনগদবনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভুপিন্দর সিংহ হুদানা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।



# মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিনা ওৱাইসিগী মায়োক্তা সেন্সর মোসন পাস তৌখ্রে



ভোপাল, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

মপূঙ্গিদা *ভারত ইমানা য়াইফরে* হায়বা খোল্লাউ লাউরোই হায়না ফোঙদোকখিবা এ আই এম আই এমগী লূচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিগী মথক্তা মধ্য প্রদেশ লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা সেন্সর মোসন অমা পাস তৌখ্রে।

বজেট মীফমগী জীরো অৱার মতমদা কোংগ্রেসকী মেম্বর জিতু পতৱারিনা ওৱাইসিগী মথক্তা সেন্সর মোসন অসি থাঙ্গৎলদুনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নরমই।

হিন্দু, মুস্লিম, খৃষ্টিয়ান নৎত্রগা লাইনিং লন্থী খূদিংমক্কী মীওই অমা হেক্তা ওইরবসু লৈবাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা তারবদি কোংগ্রেসকী য়েক্লবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পতৱারিগী সেন্সর মোসন অদুবু শৌগৎলদুনা লেজিসলেটিব এফেয়র্স মিনিষ্টর নারোতম মিস্রানা হায়খি, লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংদগী মীয়াম্না চেকশিন্না লৈনবা হোৎনগদবনি। হৌখিবা মতম খরদগী লৈবাক অসিদা ইন্দিয়া কায়নবা শীনবা মীওই কয়া থোরকখি।

ইন্দিয়ানা রাম অমদি রহিম অনীমকপু চপ মান্ননা ঈকায় খুম্নে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পার্লিয়ামেন্ট এটেক্তা চেন্নবা অফজল গুরুবু শৌগৎলগা *পাকিষ্টাননা য়াইফরে* হায়বা খোল্লাউ লাউখিবা মীওইশিং অদু মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

অমরোমদা, মিরুতকী মুস্লিম লূচিংবা অমনা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াগী মেপতা মশামক্কী ঈনা ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা ৱাহৈ ইখ্রে।

ন্যুজ রিপোর্ট অমনা হায়খি, সিরিঞ্জ অমা শীজিন্নরগা মহমদ ইমামগী হকচাংদগী ঈ চিংথোক্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী মেপতা ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা ৱাহৈ ইখিবনি।

কোংগ্রেসকী লূচিংবা অমসু ওইরিবা মহমদ ইমামনা হায়খি মদুদি, মশাগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক ওৱাইসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা ইস্লামবু মিংচৎ থীহল্লে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না থৌওং অদু কন্দেম তৌফম থোকই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ইশানা লৈরিবা লৈবাক অমবু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ লাউবদা অকায়বা করিসু লৈতে। এন্তি-নেসনল ওইবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিগী থৌওং অদু মীপুম খূদিংমক্না কন্দেম তৌফম থোকই।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টিনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা হায়খি মদুদি, গভর্ণ-মেন্ট শেম্বগী মতাংদা পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি।

মতম অমদা মুফতি মহমদ সয়িদনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পার্টি অনীনা থম্নখিবা কন্দিসন অদুদগী হৌজিকসু বি জে পিগী ওইনা অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। মুফতি মহমদ লৈখিদ্রবা মতুংদা পি দি পিনা অনৌবা লূচিংবা অমা খনবা ঙমদবা খক্তনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা বি জে পিনা অনৌবা দিমান্দ অমত্তা পুখৎপা লৈতে। অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতুংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা পার্টিগী ওইবা ৱাফম লাউথোক্কনি। নাকল অনীমক্না কন্দিসন থম্নরগা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ওইথোক্লোই।

পি দি পিগী লূচিংবী মেহবুবা মুফতিনা ন্যু দিল্লিদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহগা উনদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা ৱারী শানখ্রবা মতুংদা রাম মাধবকী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মমাঙ চহীগী মার্চ ১দা এম এল এ ২৭ লৈবা পি দি পিনা এম এল এ ২৫ লৈবা বি জে পিগা খুৎশম্নরগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমখি। মতমদুদা মুফতি মহমদ সয়িদনা চীফ মিনিষ্টর ওইখি।

মুফতি মহমদ সয়িদ লৈখিদ্রবা মতুংদা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা খনবা ঙমদবদগী ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমদনা লাকখিবনি।

পি দি পিনা পুখৎলকখিবা অনৌবা দিমান্দশিংগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মাধবনা হায়খি, নৌনা পুখৎলকপা ৱাফম পুন্নমক গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতুংদা খন্নগনি। হৌজিকমক্কী ওইনা অনৌবা দিমান্দ অমত্তা খন্নবগী ৱাফম লৈতে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদা অপাম্বা দিমান্দ পুখৎপদা অকায়বা লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কন্দিসন খরদা য়ুম্ফম ওইরগা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ওইথোক্লোই। গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতুংদা কন্দিসনগী মতাংদা খন্নগদবনি।

পনবা য়াবদি, মুফতি মহমদ সয়িদ লৈখিদ্রবা মতুংদা পি দি পিনা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট শেমদ্রিঙৈদা পৱার প্রোজেক্টশিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খুৎশিন্নগদবনি অমসুং আর্মিনা কনশিন্দুনা থল্লিবা মফম পুন্নমক থাদোক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিং য়াওনা কন্দিসন খরা বি জে পিগী মফমদা থল্লকখিবনি।



বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধব



পি দি পিগী লূচিংবী মেহবুবা মুফতি

# ট্রেন মনুংদা ঊচিনা চীকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর সুরেশ প্রভুনা পেসেঞ্জরশিংগী য়াইনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রবসু ট্রেন মনুংদা পেসেঞ্জর অমা ঊচিনা চীকপগী থৌদোক থোকখ্রে।

হিন্দুষ্টান টাইমসতা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মার্চ ১৪দা অহল ওইরবা মীওই অমনা মেঙ্গলোর এক্সপ্রেস তোংদুনা চৎলিঙৈদা ঊচি অমনা চীক্লকখিবনি। মশাগী চহী ৬৪ শুরবা টি কে জি নাইয়র কৌবা মীওই অদু ঊচিনা চীক্লবা মতুংদা পুং ১১ রোম লৈরগা ফষ্ট এইদ পীখি হায়রি।

হন্দক্তা রেলৱে মিনিষ্টরনা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়জরবসু ঊচিনা চীক্লবা মীওই অমবু পুং ১১ ঈ থোকহন্দুনা থমখি হায়রি।

ꯑꯦꯝꯞꯂꯣꯏꯃꯦꯟꯇ ꯅ꯭ꯌꯨꯖ/এমপ্লোইমেন্ট ন্যুজ

চহী ১৮ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থবক থীরিবা অনএমপ্লোই ওইবা কেন্দিদেট (মেল/ফিমেল) শিংদগী অহাংবা ওফিসিএল পোষ্ট ৫৫ গীদমক্তা থবক কৌজরি। থবক অসিগী চঙবগী ক্বালিফিকেশননা ক্লাস টেন, টুয়েল্ব অমসুং গ্রেজুয়েট পাস তৌরবা মীওই ওইগদবনি। মসিদা থাগী ইনকমনা লুপা লিশিং ১০ দগী লিশিং ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈগনি।

দিপোজিৎ লৈজরোই। সেলেক্সন ওইরবা মীওইশিংগী লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। লিমিটেদ পোষ্টনি, অথুবা মতমদা ইশাগী বাইও-দাটা পুরগা ওফিসতা তান্নবিয়ু।

Contact : 8014170652
8414834122

HL-P/7889/15,17,19

HL-P/7713/12,13,14,15,16,17,18,19,20,21,22,23,25

ERAMDAM MANIPUR CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCE SERVICE

H/Q - Sangaiprou Imphal/Oinam Branch

EMCKFS provides on any kinds of Loan! Business Loan, Venders and Hawkers Loan, Vehicle Loan (4 wheelers, 2 wheelers, Luxury Cars, Commercial Vehicle) and households items like Electronics Gadgets, T.V. Refrigerator, Washing Machine etc.

* NO GUARRANTOR *
* LOWEST DOWN PAYMENT *
* EASY DOCUMENTATION *

Please Contact us:

# 7085051906 # 7085051896
# 7308953178 # 8794238593 # 9089910964

Sd/- Managing Director

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফস্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্নিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফস্বী পাবা, নুপাগী ফস্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/2985/29/02-28/03